www.sanaleibak.in

SANALEIBAK
সনালৈবাক
PROGRESSIVE JOURNALISM



মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পীদোইনু লাইফস্লেন পুংদোংবম খামেনলোক ঋালতাবী রিজার্ভ ফোরেষ্টতা ৭৬শুবা বন মহোৎসব ২০২৫গী থৌরম পাঙথোকখিবা শরুক য়াখিবশিংনা উ চারাদা ঈশিং চাইখিবা

**ঋালতাবীদা মণিপুর মুখ্যমন্ত্রী**
জর্নেলিষ্টশিংনা অচুম্বা ৰায়েল ফংফম থোকই, তুমিন্না লৈশিল্লোইদবনি
–অমজু, ই জি এম



মার্সেকনা শীন্দুনা নুমিৎ ৪৫নি চুপ্পা চথরকখিবা রিমোৎ সেন্সিং অমদি জি আই এস ট্রেনিং ইম্ফালগী মণিপুর আই টি পার্কতা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমদা ভেলিদিক্তরি অমদি সার্টিফিকেট লান্থোকখিবা

Volume No: 49 Issue: 206 | IMPHAL, THURSDAY, JULY 03, 2025 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৩ | শগোলশেন, ইঙেনগী ৮ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 10 | Price: ₹ 5.50

কোকোমি, অমুকো অমসুং ফোক্সকী মীহুৎ কাঙবু ইম্ফালদা থুংলখ্রে, গভর্ণর উন্নখ্রে

# ‘লাঞ্জেন্নরবশিং দিসেম্বর ফাওবদা মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিহল্লগনি হায়না থাজবা পীরক্লে’

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা থোক্লিবা মতম শাংলবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইনমেটশিং মশা মশাগী ময়ূমদা তাঙ্কক নাইনা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা হঞ্জিহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না গভর্ণরনা থাজবা পীরক্লে হায়রি।



ৰাফম অসি ঙসি কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি), ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমসুং ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)কী মীহুৎ কাংবু অমা রাজভাবনদা গভর্ণরগা উন্নরুরবা মতুং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা কোকোমিগী কোওর্দিনেটর খুরাইজম অথৌবনা ফোঙদোকখিবনি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিবু মায়পুননা মায়রোং য়ারিবা সি এস ও অহুমগা রাজভাবনদা উন্নখিবা অদুদা দি জি পি, চীফ সেক্রেটরী, হোমগী কম্মিস্নর, সেক্যুরিটি এদভাইজরসু য়াওখি হায়রি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা খুরাইজম অথৌবনা মখা তানা হায়, দিল্লিদা জুন ৩০দা এম ঐচ এ উন্নরুরবা মতুং মখা চথরকপা খোঙথাং অমা ওইনা ঙসি গভর্ণরগা উন্নদুনা ৰারী শান্নবনি। লান অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নখিবা মীওই লীশিং ৬২ রোম লৈবদা লীশিং ৫ রোম মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা হৌখ্রে। লাঞ্জেন্নরিবশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্নবা কম্পেন্সেসন ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ুমথোং অমমমদা লুপা লাক্ষ ৩ পীরগনি। মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহনবা অসিদা য়ুম–কৈ মৈনা তুম্না চাকখ্রবশিংগী ওইনদি ইমুং মনুং লৈবা য়াবা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউস ওইনা শেমগৎ শাগৎপা হৌনবগী থবক পায়খৎলগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মৈনা চাকখ্রবা য়ুম লীশিং ৭কী নৌনা শানবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। কা হেন্না অমাঙ অতা থোকখিদবা য়ুম লীশিং ৮সু অমুক নৌনা শেমজিন শাজিন্নবা থবক পায়খৎলি। হন্দক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৌমী অমা লৌ শুরিঁঙৈদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী অশোক অপন নংখিবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে।

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা লৌফমশিং লৌ পানবা য়ানবা অহেনবা সেক্যুরিটি য়াওনা মণিপুরগী লৈরিবা এম আর, আই আর বি ১০০০ খূদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা দিপ্লোই তৌবা হৌরে। মীয়ান্না সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা থাজবা লৈতবা মফমশিং অতোপ্পা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা রিপ্লেস তৌবা হৌরে। লোয়ননা নৌনা ফ্লাইং স্কৱাদ ফাওবা শেম্লে। লৌমীশিংদা তত্তনা এটেক চথুরিবা অসি মখা তানা থোকপা থিংনবা চীংগী মথকশিংদা ওপরেসন লেপ্তনা চথুরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা জুন ৩০দা পুং ৩.৩০ হেন্না এম ঐচ এগা ৰারী শান্নখিবা অদুদা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ইসুশিংগী মতাংদা কুপ্পা নৈনখি। মীফম অদুদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনবা য়াদবা, লৈবাক অসিবু নুংশিবা ৰাখল্লোন চেনবা অমদি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অসি কনমিন্নবা হায়বসিদা য়ান্নরগা চথখিবনি। মীফম অদুদা মরু ওইনা হান্নদগী খন্নরগা লাকপা মীতোপ মীয়ানচাশিং খন্দোকপা, নেসনেল ...মখা লমায় ৭তা...

# মণিপুরদা মীতোপ্পা আধার শাবা য়াদনবা অনৌবা থৌশিল চৎনবা হৌখ্রে

অনৌবা থৌশিল অসিনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি য়েলহৌ ফুরুপশিং কনবদা চাউনা কান্নবা পীগনি: বিরেন

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা মীতোপশিংনা আধার কার্ড শেমজিন শাজিনবা অমদি লৌবা য়াদনবা অনৌবা থৌশিল অমা ঙরাং মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরী (হোম) এন অশোক কুমারনা খূৎয়েক পীবা ওর্দর অমা থোক্তুনা চৎনবা হৌখ্রে।




চেরোল অদুনা হায়, লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী চেকশিনবা মখলগী আধার পীবগী মওং ষ্টেট অসিদা চৎনবা হৌরে। থৌশিল অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স অমদি য়ু আই দি এ আই গাইদলাইন মতুং ইন্না অমসুং মণিপুরগী অখন্নবা স্ক্রুটিনিগা লোয়ননা চথগদৌরিবনি। ৰাফম অসি রাজ ভবনদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৰারেপ্পখিবনি। মীফম অদুদা গভর্ণরনা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক আধার এনরোল তৌরিবগী ফীভম কুপ্পা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ৰারেপ অসি লৌরকখিবনি।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরী, হোম দিপার্টমেন্টগী ওফিসিয়েলশিং, য়ু আই দি এ আইগী ওফিসিয়েলশিং, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার অমসুং এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী ওফিসিয়েলশিং সু শরুক য়াখি।

অনৌবা কাঙলোন অসিগী মতুং ইন্না মণিপুরদা আধার এপ্লাই তৌরকপা খুদিংমক হান্না চৎনরম্বা কাঙলোনশিং অদুগী মথক্তা তঙাইফদনা ষ্টেট লৈঙাক্কী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (হোম) গী ওফিসতগী ভেরিফিকেসন তৌগনি। অসুন্না লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকপা মীতোপ অমত্তদা আধার পীদনবা হোৎনগদৌরিবনি। মখা তানা আধারগী সেক্যুরিটি হেন্না কনখৎনবা বাইওমেট্রিক অমদি বাইওগ্রাফিক দাটাগী অপদেটশিং তঙাইফদনা চথরগনি। অঙাং অমনা আধার কার্ড শাখ্রবা মতুং মশাগী চহী ৫ দগীনা ৭ ফাওবগী মনুংদা অহানবগী বাইওমেট্রিক অপদেট তৌগদবনি। মসিগী মতুং চহী ১৫ হেক শুবগা অনীশুবা বাইওমেট্রিক অপদেট তৌগদবনি। মসিনা আধারশিং অদু এক্টিভ ওইনা লৈগনি। অসুন্না মতম মতমগী ওইনা আধার অপদেট তৌথোকপা অসিনা সিষ্টেম অসি হেন্না সেক্যুর ওইবা সিষ্টেম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়খি।

নাকল্ল অমরোমদা, আধার শাবগী অনৌবা চৎন–কাঙলোন অসিগী মতাংদা মণিপুরগী ...মখা লমায় ৭তা...

## ৰাখলগী চিঙ্গাক

ফত্তবা অঙাংশিংদা তাইনরুম্নু, মখোয়দু তাকপী তম্বীরক্তবশিংদুদা তাইনৌ

## পোকপদা ঙাইরিবী নুপীমচা ১ হুন্দোক্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ কবো লৈকাইদা লৈবা মণিপুর মাহিলা কল্যান সমিতি (এম এম কে এস) চিলদ্রেন হোমগী ক্রেদল পোইন্টদা পোকপদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা থল্লম্লে। প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না অঙাং অদু ঙসি নুংথিল পুং ২.৩৯ রোম তাবা অদুৰাইদা পোইন্ট অদুদা থল্লম্বা থেংনরকখিবনি। অঙাং অদু লৈরম্বা থেংনরকপদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ...মখা লমায় ৭তা...

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অকোমলুপকী ২৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ অকোমলুপনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা নাওরেমথোং লাইশ্রম খুল্লেম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা লুপ অসি শাফোঙখিবগী ২৫রক শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কংলৈ ইমা লুপকী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবী, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ইমা লৈরিকলৈমা অমদি অকোম লুপ কংলৈপাক্কী হান্নগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমোরেন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অকোমলুপকী প্রসিদেন্ট এস সঞ্জিৎনা হায়, মীয়ামগী লুচিংবশিংনা অমত্তা ওইবা ৰাখল্লোনদা থবক তৌমিন্নদুনা লমদম অসি মহৌশাগী শক্তমদা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনমিন্নসি। চহী ২ হেন্না মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা মীওই কয়াগী য়ুম–কৈ মৈ চাকখিবগা লোয়ননা লৈফম লৈতবদগী মীওই কয়া অমনা রিলীফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ফীভম অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎখিবা লুচিংবশিংনা ফম মুন্নবগী মহুৎতা অমত্তা ওইনা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

অকোম লুপ অসি কুমজা ২০০১দা মণিপুরগী ঙমখৈদা শিংনরকখিবা মখা লমায় ৭তা...

## ইবোতোনসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপালগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা চে থারগনি: এইমস

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ অমা ওইরিবা ইবোতোনসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কাঙলোন কায়না এদমিসন প্রোসেস চথরম্বা প্রিন্সিপালগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীনবা মরী লৈনবশিংদা চে থারগনি হায়না অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোই শিনপাংলূপ (এইমস) ময়াই লোয়শঙগী এদুকেসন সেক্রেটরী নন্দিতা ঙাশেপ্পমনা ফোঙদোরক্লি।




হীরম অসিগা মরী লৈননা ক্বাকৈথেলদা লৈবা মহৈরোই লূপ অসিগী ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, চৎলিবা চহী ২০২৫ গী একাদমিক সেসন অসিগীদমক স্কুল অসিদা মহৈ তন্নবা এদমিসন প্রোসেস চথবদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালমক্না কাঙলোন কায়বা থবক চথরম্বা থেংনরকপা লাইবক থীবনি। একাদমিক সেসন অসিগী এদমিসন তৌনবগীদমক স্কুল অসিগী মায়কৈদগী হৌখিবা মে ১৩ দা থোকখিবা নোটিশ অমদা স্কুল অসিদগী ক্লাস টেন পাস তৌরগা মখা তানা স্কুল অসিদা কম্মর্স তমনিংবা মহৈরোইশিং ইন্ট্রান্স টেষ্ট থাদ্রবসু দাইরেক্ট এদমিসন তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। নোটিশ অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা স্কুল অসিদা ইন্ট্রান্স থাদনা অতোপ্পা স্কুলগী মহৈরোই অমা সাইন্স ষ্ট্রিমদা দাইরেক্ট এদমিসন তৌরম্বা থেংনরে। মসিমক চহী অসিগী ক্লাস ইলভেনগী সেলেক্সন প্রোসেসতা অরানবা থবক খরা চথরে হায়বা চিংনবা লৈবদগী এইমসনা কুপ্পা য়েংশিল্লুবদা থৌদোক অসি ...মখা লমায় ৭তা...

## মণিপুরদগী এল প্রেমকান্ত য়াওরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল ২৮ ব্রাঞ্চ ওফিসার / কোর্ট মাষ্টর ওইনা প্রমোসন কাবদা মণিপুরদগী লাইশ্রম প্রেমকান্ত য়াওরে।

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদগী ফম অসিদা প্রমোট তৌরকপা অহানবা ওফিসিয়েলসু মহাক্না ওইরি। লাইশ্রম প্রেমকান্ত থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট ২ ময়াই লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা লাইশ্রম বানা অমসুং লাইশ্রম ওংবী মাইপাকপী অনীগী মচানুপানি। মচিন মনাও মঙাগী মনুংদা মহাক্না মরিশুবনি। মহাক্কী মথক্তা ময়াম্বা অমা, মচেৎ অনী অমদি মহাক্কী মখাদা মচন্নুপী অমা লৈরি।

মহাক লমদিং হায়স্কুলদা ক্লাস টেন ফাওবা তম্লক্লগা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী ক্লাস টুয়েল্ভ পাস তৌখি। তুংদা মণিপুর কোলেজদা তমদুনা গ্রেজুয়েসন লোইশিল্লবা মতুং সিক্কিম মনিপাল য়ুনিভর্সিটিদা এমএসিসি আই টি তমখিবনি। মদুগী মতুং মীরুটতা লৈবা চৌধরি চারন সিংহ য়ুনিভর্সিটিদা এল এল বি তম্লক্লগা কুমজা ২০১০ দা সুপ্রিম কোর্টতা জুনিয়র কোর্ট এসিষ্টেন্ট ওইনা জেইন তৌখি। সুপ্রিম কোর্টতা মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা মতুং মহাক ঙসি কোর্ট ব্রাঞ্চ ওফিসার ওইনা প্রমোট তৌরকখিবনি হায়রি।

## রিমসতা থবক হাপকনি হায়দুনা শেল লৌরম্লে, চেন্নবা ফাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা থবক হাপকনি হায়দুনা শেল লৌথোকপা অমদি অনওঠোরাইজ ওইবা মওংদা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা ফারে।

অসিগুম্বা ইল্লিগেল ওইবা থৌওং রিমস ওঠোরিটিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে। লীগেলগী মতেং লৌদুনা চৈরাক ফংহন্নবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না রিমসকী মেডিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মীয়ান্নসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা ভিক্টিম ওইদনবা চেকশিন্না লৈবিয়ু। রিমসকী ওইবা পার্মেনেন্ট, কন্ট্রেক্টকী থবক থৌরমশিং ওফিসিয়েল ওইবা প্রোসেস তৌগনি অমদি লৈঙাক্কী ওইবা প্লেটফোর্মশিংদা খঙহল্লক্কনি।

মসিদা থবক হাপ্পীগে হায়দুনা শেল লৌথোক্লবা হোৎনরিবশিং লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংফম থোকই। লোয়ননা মীওই অদুনা থবক হাপ্পীনি হায়দুনা শেল লৌথোকপা অসিদা শেল মাঙবা অমদি তুংদা থোক্লক্কদবশিংগা রিমসকী ওঠোরিটিগা মরী লৈনরোই। মীয়ান্না মীহুম–নাহুম ...মখা লমায় ৭তা...

## জি আই এস টেক্নোলোজি অসি য়ান্না মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইরি: টিঐচ কিরনকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ মঙম শানবা লৈবাক অমা শেম্বদা জিওগ্রাফিক ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (জি আই এস) টেক্নোলোজি অসি য়ান্না মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইরি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টগী সেক্রেটরী থোকচোম কিরনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্যবটেন টেক্নোলোজিজ প্রাইভেট লিমিটেদ অমদি মণিপুর রিমোৎ সেন্সিং এপ্লিকেসন্স সেন্টর (মার্সেক) না শীন্দুনা নুমিৎ ৪৫নি চুপ্পা চথরকখিবা রিমোৎ সেন্সিং অমদি জি আই এস ট্রেনিং লোইশিন্দুনা ইম্ফালগী মণিপুর আই টি পার্কতা পাঙথোকখিবা ভেলিদিক্তরি অমদি সার্টিফিকেট লান্থোকপগী থৌরমদা ৰাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৰারোল থম্লদুনা সেক্রেটরী টিঐচ কিরনকুমারনা হায়, লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা জি আই এস অমদি রিমোৎ সেন্সিরগী মতেং লৌবা হেনগৎলক্লি। ঈশিং ঈচাও থেংনবা, ৱাটর সপ্লাই মোনিটর তৌবা, অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্লান্নিং তৌবা, লেন্দ য়ুজ মেপ্পিং অমদি লৌউ–শিংউগী পোখোকশিং ট্রেক তৌবদা টেক্নোলোজি অসিনা চাউনা মতেং পাংলি। জি আই এস টেক্নোলোজি অসি মঙম শানবা অমদি মনুং–মপান নাইদবা লৈবাক অমা শেমগৎপদা য়াম্না মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইরি।

অমরোমদা, থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মার্সেক্কী দাইরেক্তর ও নোদিয়াচান্দনা মালেমদা হৌজিক জিওস্পেসিয়েল টেক্নোলোজিগী লাক্লিবা অহোংবা অসিগী মতাংদা মীয়ামদা ৰারোল থম্লদুনা মহাক্না হায়, ৰারেপ লৌবা, রিসোর্স মেপ্পিং তৌবা অমদি ...মখা লমায় ৭তা...

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

### উ থাসি য়াম্থৎসি

উ থাসি চেদা
উ থাসি লম্বীদা
উ তাসি ভাষনদা
উ থাসি ফোটোদা
উ থাসি টি ভিদা
উ থাসি তম্পাক্তা
উ থাসি মী উগদবা মফমদা
উ থাসি হৌদনবা
উ থাসি শেল কাইনবা
উ য়াম্থৎসি চীংদদি
উ কোকথোকসি চীংমাইদৈ
উ হৌহনগুমসি তুরেল ইচিন্দদি
উগী লম চীংদা
উগী মমল খঙহনগুমসি
উ থাসি তম্পাক্তা
উ য়াম্থৎসি চীংদা
উ থাসি চেদা।

রিজনেল পার্টি অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্টনা শীল্লগা অহানবা মীফম পাঙথোকখ্রে

## হৌজিক মীকপ থোকহৌদ্রবদি য়েলহৌমীশিং মুৎখ্রগনি: ডা রজিবকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা রিজনেল পার্টি অমা ওইনা শাফোঙলকখিবা দেমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্ট (দি পি এফ) না শীল্লগা দ ভোইজ ওফ মণিপুর হায়বা স্লোগান মখাদা অহানবা মীয়ামগী ওইবা মীফম ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।




লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা হৌজিক্কী ফীভম অসিদা মীকপ থোক্তনা অদুমক লৈবা তারবদি য়েলহৌমীশিং শোয়দনা মুৎখ্রগনি হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ডা নারেংবম রজিব কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

কুম্বী কোলেজগী প্রিন্সিপাল লৈচোনবম গোপাল, পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ডা নারেংবম রজিব কুমার, সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অসাং কছার অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী দি দি য়ু ফোর কৌশালগী হান্নগী দাইরেক্তর ডা রাহিজুদ্দিল সৈখনা থৌরমগী মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পার্টি প্রসিদেন্ট ডা নারেংবম রজিব কুমারনা হায়, চহী ২ হেন্না মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মীয়ামগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌনবা হোৎনবদা সেন্টরগী য়াকা ঙাইদুনা লৈবা, নেসনেল পার্টিনি হায়দুনা লৈরিবশিংদা য়ানিংদবা, মরৈবাক তশেংনা নুংশিবা মীওইশিংনা পূনশিল্লগা দেমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্ট অসি শেম্লকপনি।

ঙসিদগী থা খরগী মমাঙদা রিজনেল পার্টি অমা ওইনা শাফোঙখ্রবা দি পি এফ, মণিপুর মীয়ামদা মশক তাক্লবগী পান্দমদা ঙসি পাঙথোক্লিবা মীয়ামগী মীফম অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মণিপুরগী মীয়ান্না তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক থৌরমশিং খন্ন–নৈনবনি। মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী পার্টি হোংবা ঙম্বা হৌজিক লৈরিবা লুচিংবশিং অসি মণিপুরগী ওইনা মতীক চাদবা লুচিংবা অমনি হায়না লৌগনি। পার্টি অসিগী থৌমী খুদিংমক লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাওগা চান্নবা মওংদা খুন্নাই অমা পুরক্লবগী ৰাখল্লোনদা পূন্না খোঙ থাংজিনমিন্নরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পার্টি অসিগী অহানবা খোঙথাং ওইনা পোলিটিকেল ফিরেপ লৈজদবা মীয়ামদা ...মখা লমায় ৭তা...

## ‘কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগী থবক খুদিংমক থিংজিল্লে’

ইম্ফাল, জুলাই ০২(এস এন এস)ঃ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সদর হিলসতা লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগী ওইবা থবক থৌরমশিং ষ্টেট অসিগী থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা থিংজিল্লে হায়না সদর হিলস চীফ এসোসিয়েসন (সাহিলকা) না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা সদর হিলসগী মফমশিংদা পায়খৎলিবা থবকশিং খুদক্কী ওইনা লেপকদবনি। ষ্টেট অসিদা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা খুন্দারিবা কুকি–জো ফুরুপকী মফমশিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিং পূন্নমক থিংজিল্লে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমদি সব দিভিজনেল ওফিসারশিংনা লৈঙাক্কী গো টু হিলস অমদি গো টু ভিল্লেজ প্রোগ্রামসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কুকি–জো ফুরুপনা খুন দাবা মফম পূন্নমক্তা তৌবা অমদি য়াওবা য়ারোই।

ইরাং অসিগী মনুংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং ইন্সেসিটিভ ওইবা অমসুং থোক্লিবা ইরাং অসিদা হেন্না খোইশাওনহনবা ওইহনবা মচাক অমা ওইগনি হায়না সদর হিলস চীফ এসোসিয়েসন (সাহিলকা) না লৌই। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মখা তানা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কায়দনবা সদর হিলস চীফ এসোসিয়েসননা লৌরিবা ৱারেপ অসি লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমদি ওফিসিয়েলশিংনা তাবিনবা চেরোল অদুনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।